

লাইনা মীদা খুরুমই
'হে মী নঙবু খুরুমজরি,
নঙ অচুম্বা অমত্তদি তৌবিয়ু,
ঐ মীকুপমতংদি পেঞ্জগে,
ঙাইহাক্তংদি পোত্থাজগে!'

মীনা অরানবা তৌবা খুদিং
খোইয়ুমগী ইজ্জৎ মাঙলবনি;
মীবু শেম্মুবনা খোইয়ুমনা!

*— কে ঐচ আনন্দিনী*

## মফম লৈতে

**— এম নিলকুমারী**

নুংশিবা তামো,
শেঞ্জাও পায়বা তামো,
তৌবা ঙম্বা তামো
সন্ত্রিনা চয়োম্নরিবা,
সন্ত্রি মশীং য়াম্বনা
টোইলেট লেত্রিন কোন্নদ্রে।
লৈতেংতনা থল্লবা মণি মুক্তা' থাল্লবা
বঙ্গলোদুগী ময়ায়দা
টোইলেট লেত্রিন শাসিরা
চাগা চাদিংগী তূংনফম
শেন্দান লন্বীনি অহেনবা।
কৌনিংবা মমিং কৌবিয়ু
শেন্দান লন্বী ওইবিয়ু
মতম মানা লৈরিঙেঁ।
লৌশিলহৌবনা ঐহাক্কী-পীথোকখিবনা মীতোপকী।
মোমোন মিনোক্লি অৱা চৈথেং ফংঙমলোই।
মফম খুদিং য়ৌদুনা ৱাহৈগী ফজবা লৈতেংনা
থম্মোয় শেংবা উৎলমই
উৎনা ৱাইনা খুমগুমসি
পীরমসি কত্থোক্লমসি থাদোক্লমসি
মখোয়দুগী থাংথরমসি অৱা পোৎলুম তেংবাংনি
ৱাহংগীদি পাউখুমনি;
পাউখুমগীদি ৱাহংনি;
ৱাহং পাউখুমদি লোইররোই
মতমগী ইচেলনা চেন্থরিমখৈ।

মৈশা হৈনদ্রবশিংদা পীরি উরুম।
পীকপা নৎত্রগা চাওবা
লৈতে নহাক্কী শক্তমনা চাংয়েংনা
লৈনম্না লৈহিনা শন্দোরক্লি
পাক্লবা মালেম লৈশাদা।
লৈরোন চনখ্রবা থৱায়শিং
শক্তম কায়রবা মোঙফমশিংনা
তপ্না তপ্না ৱা ঙাঙলক্লি
মীয়াম তিনবা কৈথেলদা
তোংলকই লৈয়েংদা অরৎ অখম লৈতনা
কুমওন কয়ানা চৎখিবদা।
অশিবশিংগী মরেংবান্দা তোংদুনা
শান্নরকই থৌনা ফরবা অথৌবশিংনা
পুন্সিগী শিন্থাগা লেঙ্গোন্নদুনা
থম্মোয়গা ৱাখলগা তিন্ননবা
ফৌনাগী জগোয় তান্থাদা
শিরবা অহিংবশিংনা হিংগৎনবা
শক্লি শোল্লি য়াকাইরোল
তেল্লবা পুন্সি মতেকসিদা।

## অরোনবা পিরাং

**— কাংজম হেমন্ত সিংহ**

পুন্সিদা নুংশিবা করিনো
মশক খঙজদ্রবা ঐসে,
নুংশি চীরোল তৌবিরম
লৈশি লৈথোন ৱাহৈ কয়ানা,
ফোঙদোকপীরল্লগা ইফমদা
নথম্মোয় শোক্লা
নহাক য়াওদ্রবদি
হিংবা ঙম্লোই ইদোম,
থাজরুই পঙলবী থম্মোয়সিনা
কৎথোকখি থৱায় হকচাং
চিংনবা লৈতনা নফমদা,
অদুবু! ওইরম্লে পূম্নমক মীনম্বা।
খন্থহৌদ্রবা মীকুপ কয়ানা
নহাক্কী লৌনম ৱাহৈদা
পঙথরুরবা থম্মোয়সে
শীন্থরি ঙসিদি অরোনবা পিরাং।

## লাংওনগী মহয়

**— মনি থৌদাম**

অফবা নহাক্কী লাইবক,
অফবতনা শরুক তম্লকই
অহাও, অথুম্না নহাক্কীনি
ফজবা নীংথিবসু নহাক্কীনি
তৌরু, য়েংউ
কয়াদা লাইবক ফরক্লবা
হে পাণ্ডবকী ভীম
মঙাও থীনসু মঙাওই
খ্বাইদগী নুংশিবসু নহাক্লি
মীপুম খুদিংনা ময়াইদো
ফুগনবসু নহাক্লি
মীনুংশিসু অহেনবনি
নহাক্কী মপোক লাংওনসে
নুংশিৎকী মচা ওইবনরা?
শকহেনবা মচা নিপা
ভক্তি লৈবা শক্তি লৈবা
অহুমশুবা মচা অর্জ্জুন
প্রভুগীদি অচানবা মরুপ
অরোন অথুপ তাকথোক্লা
শাথেঙনরবা লানফম, দিক বিজয়
ইতাও অর্জ্জুন পার্থা
কোলোইনখি শ্রী কৃষ্ণমক্লা
মহাকসু মচানি শোরারেনগী
অরোন অথুপ্না থন্বীখি
নীংবা কায়না নুংশিৎকী মচা
কোলোয়না দানগী মপু কর্ণ
ইকায়বা নংবা, কৎথোকপদনা মহাক্লি
অরোইবা পুংফমদা খূবী পীখিবা
মীওইবা জাতিগী মশাইগোল
নহানমুক্কী মপোক্কী মহয়নি
মীনা, মীওইবনা ফংলবা
করিগী মীনা মীবু চারবা
মসিবু সেবারা নৎত্রগা
থম্মোয় কনবগী খুদল্লা?
অয়ৌবা লৈবাক নীংবরা?
তৎতনা হংলি মালেম ইমা
করম্বা মখলগী মীনা শায়ওল্লবা
মীওইবা মপোক ঐহাকসে।

## কপ্লক্লে অশিবশিংনা

**— ওকেন্দ্রো খুন্দোংবম**

পনখৈ লৈতবা লন্বীসিদা
পন্থুং য়ৌনবা চৎলিবা
হে অহিংবা কৌবা অশিবশিং
নখোয়গী শাফূ দগী লূমথরক্লি মালেমসে
পুবা ঙমদ্রবা খোঙচৎ ওইনা।
উবা ঙমদ্রবা খোঙনাং মরুনা
মশা মরেং ফন্দোক্তুনা

## লমতা থানা লাক্লবদা

**— নোমিতা খোংবান্তাবম**

লমতা থানা লাক্লবদা
লিরি হুম্বা মালংবগী
নামিবা ঈংলবা মরক্তা
উপাল ৱাপাল কয়াগী
পালম্বা উনাশিং কেনখ্রে।
অনৌবা য়েন্নীং হুন্দুনা
অনৌবা হৈপাল শাৎলরে
মহৈ চুম্লবা হৈপালগী
মঙলান কয়া শাগৎতুনা
মকা ফন্না লেন্নরক্লে।
লমতা থাবু ঙাইজরকপা
শাবী শানৌ কয়াসু
থম্মোয় য়েন্নীং হুল্লক্লে
য়াওশঙ থাবল ঙাইরক্লে
খূৎথেক তোয়না পারক্লে
মালংবা মাসু ঈহৌনরক্লে
লমতা থানা লাক্লবদা

## মোবাইল

**— অসেম বেবিচা চনু**

মোবাইল নঙগী নতিক নয়াইনা
খুন্নাই পূম্বা ঙাওনরি
অমগা অমগা পাউ ফাওনরি
অৱা মৈশা ফাওনরি
লুহোং চেবাউ পীরি
শোরাৎ পাউজেল পীনরি।
নুংশি ৱারী লীনরি
কায়না ৱারি শানরি
থাগৎলি নহাকপু ঐনা
ঙক্তবা ঙমদে নহাকপু
থাগৎতবা ঙমদে নহাকপু
মীনুংশি চাউবা কনানা
শোন্নরি নহাক্কী নগুণ।
কল্লকই খম্বা থোইবীনা
শাউরকই রোমিও জুলেটনা
চৈনিংলমগনি লৈলা মজনুনসু
মখোয় মখোয়গী মতমদা
মোবাইল নহাক লৈরম্লবদি কায়নরম্লোই
নঙগী নতিক নয়াইসে
করিনবু শাবনো নহাকসে
খঙনহনগে ঙম্মী নহাক্লা
চান্নহনগে ঙম্মী নহাক্লা
দিমান্দ তৌগে ঙম্মী নহাক্লা
ঙমদবা লৈতে নহাক্লা।
পুন্সিয়ুকো নহাক
সেবা তৌখো লৈবাক্কী
লৈঙাক মপুনা কৈদৌনি
নঙ য়াওদনা করিসু
ঙল্লরোই হৌজিক্তি।


## নুংশিবা খোঞ্জেল

**— তোংব্রম শামুঙৌ**

মাঙখ্রে খোঞ্জেল অমা
মফম খঙদনা ইনাক্তগী
লোৎনা থমজবা ঐনা
তুমিন্না কনা তাহন্দনা।
লৈরম্মী নাক্তা লেঙদনা
তাহল্লম্মী নুংশিবা খোঞ্জেলসু
মীকুপ খুদিং লোয়নরম্মী
হরাওনা ইনাক্তদা লৈরম্মী।
হায়রমদে ইরাল অমত্তসু
তাক্লমদে অমুক হল্লক্লরোই
নুংদি নুংশিবনি খোঞ্জেলদো
মঙলানলা ঐবু তাইবঙলা।
অৱা ঐগী মীকুপ্তা
থেন্বীখি নুংশিবা খোঞ্জেলদুনা
পোত্থাহনখি হরাওনা ঐ
মিনোক তমজখি নুংঙাইবগী।
থিরি কৌরি ঐনা
মাঙখ্রবা মাবু হন্না 'নাক্তা
খুম্লকপগুমদি তারি খোঞ্জেলদুনা
মরক মরক্তা নুংশিনা
লানখিবরা ঐ করিগুম্বদা
খল্লি ৱাখল পুক্লিংদা
তাখিদরে খোঞ্জেল নুংশিবা
লাকখিদরা মাবু ইনাক্তা।

# অহিংবা ফাগী

## (অকপ্পা মীসু নোকহনগনি হায়রিবা ফাগীগী লাইরিক অমা)



| | |
|---|---|
| মমিং | ঃ অহিংবা ফাগী |
| মখল | ঃ ফাগীগী লাইরিক |
| অইবা | ঃ দি দি নিংথৌজা |
| ফোঙবা চহী | ঃ ২০১৬ |
| লামায় | ঃ ১০৭ |
| অফোঙবা | ঃ প্রোগ্রেসিব রাইটর্স এসোসিয়েশন, মণিপুর চেপ্টর |
| মমল | ঃ লু: ১৫০/- (চেখুম অপাবা) লু: ২০০/- (চেখুম অথাবা) |
| ফংফম | ঃ অইবা মশাদগী |

**পাউদম্লিবাঃ সলাম তোম্বা**

**নোকপা** হায়বসি তাইবঙ মীগা থাদোক্নবা য়াদ্রবা মচৎ অমনি। চারগা থক্লগদা হিংবা য়াদে মীওইবা। ঙাইহাক পোত্থাবা চঙই। পোত্থাবা হায়বসি থৱায় হকচাংবু নুংঙাইহনবনি। অৱাবা শরুক লৌথোকপনি ইশাদগী। মসিদা ফাগীগী মথৌ তারকই। মী কপহনবদি লায়, মী নোকহনবদি লুই। মতাং অসিদনি কমদৌরগা মীবু নোকহনগদগে খনবা হৌনরক্লিবা। ৱাহৈনা, মতৌনা, ৱাঙাঙনা, শাঙাঙ মী নোকহন্নবা হোৎনরকই। মসিদা ফাগী হায়বা মচল অসি থোক্লকই। মীনা হেক নোকপা হৈরকপদগী ফাগীসু লোয়নরক্লে হায়বা য়াই। অদুবু লুরিবদি ঐখায়গী খোরিরোলদা ফাগীগী লাইরিক্তি মরাং কায়না লৈত্রি। ইরৈবু লৈত্রি। দ্রামাদা, লীলাদা, নিংথৌগী কোর্টতা, অচৌ-অশাংগী ইমুংদা ফাগী পুবা মীনা ঙাইহাক পোত্থানবা, নোকহন্নবা হোৎনবদি কুইরবনি চত্থরক্লিবা। ফাগী লীলাবু ইংরাজিদা 'ফার্স' কৌই। মসিদি প্লোট থোইনা লৈবা নত্তে। মী নোকহন্নবদা হোৎনবা মতৌনি। ঐখোয়গীদা হায়রগা ''ঈপোম'' হায়রিসিনি। ফাগী লীলা থোক্লক্ত্রিঙৈদা মসিগী মথৌসি লীলাদা য়াওবা, অপঙবা শাবা, 'ক্লাউন' হায়বা লমচৎ অদুনা পুরম্মী। দ্রামাদা, লীলাদা মসিগী লমচৎ অসি য়াওদবা ইয়া য়াদবনি খন্নরকই। নিংথৌশিংগী দরবারদসু মখোয়সি চন্নফম য়াম্না লৈরকই। মথৌ চিনবা, কোক শাবা মতমদা ঙাইহাক নোক্লবা হোৎনবদা মখোয় দরবার লাকই। আকবর নিংথৌগী বিরবল, ঐখোয়গীসু ওইনাম বিজান্দো পনবা য়াই। ইংলিস মহারাণী এলিজাবেথকীসু মহাক্কী মনাই 'টার্লেটোন' কৌবা অমা থনম্মী। অসুম্না হায়নৈ, মহারানীগী অৱা-অনা ৱাখল পূম্বা টার্লেটোন্না কোকহনখি, মাগী ডাক্তরশিংনা ঙমদ্রবদা। ফাগী হায়বসি ইংরাজি লোন্দা 'হ্যুমর' হায়না খঙনৈ। হকচাংদা চেল্লিবা মহীগী শরুকপু হ্যুমর কৌই। মদুদগী লাকপনি। মসিগী মরমদি হকচাং শাবদা য়াওরিবা মহীগী শরুক অসিনা মীওইবগী ৱাঙাঙ শাঙাঙ, মওং-মতৌ, শাউগনবা শাউগন্দবা, ফাগী পুবা পুদবা পূম্বা ওইহল্লিবনি।

মীওইবগী হকচাংদা মহী মখল মরি লৈ হায়রি। ঈগী শরুক, নপ-তিনগী শরুক, য়েলো বাইল, ব্লেক বাইলগী শরুক। ঈগী শরুক্না মীওইববু নুংঙাইহনবা, নোকহনবা, হরাউহনবা ঙম্মী। নপ-তিনগী শরুক্না হেল্লগনা তনবা, পাঙদবা ওইহল্লি, অদুগা য়েল্লো বাইলনা খাঙবা কন্দবা, হায়বা ইন্দবা ওইহল্লি অদুগা ফাগী পুবা মী হেক্তা ওইবা য়াদে, মাগী হকচাং শেন্নকপদা মহীগী শরুক্কী মখা পোল্লি।

ঐনা মসি পঞ্জরুবগী মরমদি ঙসি পায়খৎচরিবা লাইরিক 'অহিংবা ফাগী' হায়বসি ফাগীগী লাইরিক্লি। মসিবু ইরিবা দি দি নিংথৌজা অসি ফাগীগী ৱাহৈ ফজনা শীজিন্নবা হৈরে। মাগী খ্বাইদগী পকচবনা ফাগী পুবা ডাইলোগ শেম্বদনি। মায় পাকই, লাইরিকসি। মসিদা ফাগী পুবা ৱারী ১৬ য়াওরি। লোইনমক নৎত্রবসু খরদি শোয়দনা মীনা পানিংগদবা ৱারীনি। সিচুএসন শেম্বা, সিক্বেন্স শেম্বা ওন্থোক্লা হৈখ্রে। লোৎতুনা পুবা হৈরে পোলোই তানবদা। অপাবনা নোক্কদৌরিবসি অরোইবা পরেংদনি। মদু হান্না খজিক্তা শামিন ফংহন্দে নোকনিংলমদবসু য়াই। ফাগীদি নোক্লবনি, নোক্ত্রবা ফাগীদি মায় পাক্ত্রবনি।

অহানবা ওইনা অইবনা সিচুএসন অমা শেমগৎলকই। ফেস বুক্তা খঙনবা, মশক উৎতবা, ৱাহৈগী মরুপ অমা। মদুসু ফাগী ক্লবকী অচঙবা মেম্বর অমা। মাবু উনজনিংবী অসিনা দ্রামা কাঙবু অমগী নুপী ডাইরেক্টর। নোংমা কৌবনি অমুক্তা লাকপীয়ু, চাক চরা অমতং চামিন্নসি, শকখঙ মায়খঙনসি হায়না। নুমিৎ অদুগীদমক ডাইরেক্টর অদু থবক চিল্লি, মৈ য়াদবগী, মাগী থিএটর অদুগী মৈ শেম্বা কৌদুনা শকখঙদবা মরুপ্তু লাকপদা নুংঙাইনবা লাঙজবদুনি। লাক্লে নুপা অমা। মৈ শেম্বা নুপানি খন্না, ঙাঙবনে খোৎপনে পূম্লাং। লাকইবা মীদুসু অদুক হায়রিমখৈ তৌই। মৈ ফজনা শেম্মী। লোইরকপদনা মৈ ৱানা শেল্লিবা মীদু মানা কৌজখিবা শকখঙদবা মরুপ্তু ওইরম্বগী ৱানি। মদুদা শোয়খিবগী, ওন্নখিবগী নোকমিন্নবদুনি। ফজৈ ৱারীমচাগী সর্প্রাইজ ওইবা পোলোই পীবা ঙম্মী। নোকহনবসু ঙম্মী। অইবনা মমিং থোল্লি, 'অহিংবা ফাগী'।

মথংদা ফজবা অমতং হায়রবদি 'ইনবোক্স' হায়বা ৱারীমচা অসিনি হায়বা তাই। অইবনা মসিদা উৎনিংলিবসি ফেসবুক্তা ওইদ-পাদবা ময়াম অমা তৌবা য়াই হায়বসিনি। পাউতাক্কা কোন্নবা ডাইলোগনা মপূং ওইবা ৱারী মচানি। পরীংদি ওজা ওইমিন্নরম্বা ওজা নুপা নুপী অনীনা ফোঙদোক্নবা ঙমদনা কায়নখিবনি। ফেসবুক্তা নুপাসিনা প্রেমিলা কৌবী মপোক নুমিত্তা য়াইফ পাউজেল পীরুবনি। ৱারী মথং মথং শুম শানবনি। নহা মশেলগী ৱা ঙাক্তনি। মসিদা অইবগী হৈশিংবা ফজনা শীজিন্নৈ। হেক্তা মানখ্রে, নুপাগীসু নুপীগীসু। ৱারীমচা ওইবগী রিএলিটি তাহল্লু হায়বদুমক থোকই। অপাবশিং তন্থহন্দে, শুক্লোই হেক লোইহন্নিংদে। মদুসু অচোপ-অরেং অমতা য়াওহন্দে, ওইবা য়াবা ৱাহং ঙাক্তা, পাউখুম ঙাক্তনি। ফজৈ হায়নীংঙি। মতেক অমতং য়েংবা য়াই,

নুপী ঃ হোই, ঐসু নুপা অফবা ঙাইরিঙৈদা খরা লিশিনখিবগী ৱানে।

নুপা ঃ কয়াম ফবা নুপানো পাম্মিসিবু?

নুপী ঃ খঙদেদা, সুম হায়বৈ ৱানি।

নুপা ঃ খঙঙমনিদা হায়য়ু কৈনো, ঐসু এলিজিবল ওইব্রা য়েংগে।

নুপী ঃ লৈদনা, নুপাদু লাইরিক হৈবা, চিং লেম্বা, মবুকচেল শেংবা, মথৌ মশক খঙবা, মথৌনা লৈবা, মরমচৎ ফবা, নুপী অঙাংদা চগৎ চগৎ তৌদবা, ... য়াম লৈখ্রেদা।

নুপা ঃ উইস, মসিগী গুণ ময়ামসি লৈরদি নুপাদু চরা হেল্লসু অদুম য়ারদ্রো নঙবু।

নুপী ঃ মসিগী গুণ ময়ামসি চেনবা নুপাদুনা চরা হেনবদি শুকওই ওইরোইকো।

নুপা ঃ য়াম খঙইকো ... নুপাগী মরমদা ফজনা রিছার্স তৌরবা মাল্লিকো।

নুপী ঃ অদুবুদি অসুক কুইনা লৈশারক্লিসিদি।

ফজখ্রে হায়নীংঙি। হেন্না ফজরিবনা অরোইবদা প্রেমিলা ওইরমদ্রে। নুপাদুনা ফোঙদোকপা ঙমহৌদ্রবী ওজা নুপীদু ওইরম্লে। মনাওনুপী প্রেমিলাগী একাউন্ট অদুদা ৱারী হৌরকপা ওইরম্লে। সিক্বেন্স ফজনা শেম্মী হায়নীংঙি।

অহুমশুবদা লৌখৎপা য়াই, 'কাওবোয়'। ফজৈ মসিসু মোবাইলদা, ফেসবুক্তা হৌজিক হৌজিক মাঙনরিবা অসি উৎপনি। ৱারী পরিং ফজনা শাগৎলি। কাওবোয় হায়না খঙনবা নুপামচা অসিনা সিফাইগী ছুটি লাকপদা মোবাইলদা নুপীমচা অমা খঙনবনি। মদু মানা ইজ্জৎ শোকপিখ্রে হায়রি নুপীমচাদুনা। অদুগী মৈচাক্তু মমা লুখ্রাবীদুনা পুরিঙৈ তাল্লক্তুদা নুপী অমসু চেল্লক্লে হায়রকই। মদুনা নুপীদুনা শিংবা হেন্দুনা পৈশা থৌবা চৎপদা ফাবীবনি। মৈচাক অনীদু ৱাতেম্নবা হোৎনবদা ছুটি মতম হেন্দোকখিদুনা অঙাওবা য়েংবা ডাক্তর অমদগী মখুড়ানা নাবগী সার্টিফিকেট অমা লৌবীরগা থাখিবনি। থবক মফমদনা ৱাখল লায়না লৈরি হায়রকপা ডাক্তরগী চে অদুনা মরম ওইরগা নোংমৈ পায়হন্দনা মতম খরা নুংঙাইনা থম্বগী ৱানি। মমাদা চিঠি থারকপদা য়াম্না নুংঙাই লৈরে। মথং থোক্লকপদসু মখুড়াবু ডাক্তরদুদগী চে অমত্তংগা লৌহনবা তারি হায়রকপনি। মদুদা মমানা নোকফেৎ তৌনা - থিদা অঙাওবসিদি' হায়না লোইশিল্লি। ওন্থোক্লা ৱাহৈদা ৱাতাদা ফজনা ৱারীমচাসি শাগৎলি হায়নীংঙি। মসিদা অমুক্কা হেন্না ফজরিবনা প্রমান-পান্থৈ মওং তানা হাপ্পা ঙম্বা অসিনি। অমতং য়েংলবদা - কাওবোয়বু ফাবিরিবা লৈশাবী শরিদুনা থানাদা শেল পীজদুনা মাগী মী ওইরবদা থানাদুনা কাওবোয়দা পৈশা লৌবা য়ানবা অসুম্না হায়, ''থাঙনা দর্বুজদা য়ুংবা ওইরবসু নৎত্রগা দর্বুজনা থাঙদা তাশিল্লুববু ওইরবসু ইশোক্তা শোক্লিবদি তর্বুজদুনি, অদুনা ইজ্জৎ দাবী পীথোকখো।'' ফজবা প্রমাননি হায়নীংঙি।

য়ামখ্রে, অদুবু অমতংগা লৌখৎপা তারবদি 'অদুঙৈগী মতৌগুম' হায়বা ৱারীমচা অসিনি। মসিদা অইবনা উৎনবা হোৎনরি, হকচাংনা অহল ওইশিল্লক্লবসু ৱাখলদি, থৱায়দি, থম্মোয়দি কৈদৌনুংদা অহল ওইশিন্দে হায়বা ৱারীসি ফজনা শাগৎলকই। নুংশিননা লৌন-লৈনরকপা নুপা নুপী অনীগী নুংশিনবা অদু উৎলি। মচা নুপী অনীদু চাউদুনা ময়ূম পানখ্রবদা মতৈ মনাও থায়নগী ৱারী পোকথোক্লদুনা হরাউমিন্নৈ। মখোয় অনীগী উনফম নুপীদুগী ঙাশঙ অদু নীংশিংলকই। অমুক মফমদুদা চৎতুনা থায়নগুম উননীংলকই, অঙাং মচাদৌনা। মতম থানৈ। নুংথিল পুং ৪ দা। নুপাদুনা ওফিসতগী মতম কায়দনা লাকই শঙ অদুদা নুপীদুসু কেরগা লাকতৌরিবনি। নুপাদুনা কুইনা শাবীবা ঙমদ্রদুনা লাকপা সনাগী লিক অদু ঙসিদি লৈরক্তুনা পায়দুনা ঙায়রি। লাকমন্দ্রদুনা ৱারৌনা ময়ূমদা লাকই। নুপীদুসু কেরগা কাদা ফমদুনা লৈরম্মী। কৈদৌরে লাক্ত্রদি হংঙি। মদুদা নুপীদুনা খুম্মী :- ''ইমানা চৎকে য়াদ্রিবা।'' অপাবশিং হেক্তা নোকহল্লি। ফজৈ, ৱাহৈ পরেং অসিমনা ৱারীমচাগী মথ্বায় হাপখি।

য়ামখ্রে, লোইনা পাউদম্বা ঙমদ্রে। দি দি নিংথৌজা ফাগী লাইরিক ইবা পকচরে। মখাগী ইবা য়ারে। হীরম অসিদা নিংথৌজানা লময়ানবা ওইরবনি। তাঙনা ফংলিবা মচল অসি ৱাৎলরোই খল্লি। অরোইবদা ৱাহৈ অমা অনীদংদি হায়নীংঙি। লাইরিক ওইনবা হোৎনবদা হাপত্রসু য়াবা ৱারীমচা অমদি য়াওরি- নোক্লবা হোৎনবদা রিএলিটি মাঙখিবা অমা অনীসু য়াওরি। মথংগীদা খরা খন্দোক খঞ্জিন তৌহন্নিংঙি অদুগা ৱাহৈদা ঐখোয়না ঙাঙনরোইদবা খরসু থেংনৈ। খুদম ওইনা - মিং চল্লরোইগে, লাইরিক তম্মরোইগে অসিনচিংবা। মসি ফনা ওইদুনসু লাইরিক অসিদি শোয়দনা অপাবশিংগী থাগৎ ৱাহৈ ফংলদৌবা অমদি ওইরে। মখা তারকপা ঙাইরি।○

# মোহন দাস

## (কুমজা ২০১০দা সাহিত্য একাদেমী এৱার্দ ফংখ্রবা হিন্দী নোভেল্লা)

### উদয় প্রকাশ

**অকিবা** হায়রিবা অসিগী মচু অসি করম্না তৌই? ৱাউথাংনবা, হীগোক, হঙ্গাম মপাল, মুশি-মুশিবা নৎত্রগা উৎ মচুগুম্বা, মদুসু মৈ য়াওরিবা উৎকী মচু। অতোপ্পা অমমুক হায়রগনা খঙহৌদ মরুম অমদগী কনাগুম্বা অমনা লোন্না য়েংলকপা নৎত্রগা খজিক্তমক লাপ্না, খোঞ্জেল থোক্ত হীক-হীক লাউনা কপ্লিবা।

নহাক সমুদ্র অমদি তুরেলগী ঈথক্তা হুমগৎলকপদা য়াওরকপা লৈঙোই মথক্তা তাবা ঙা উরব্রা? মদুসু মমীৎ চোংথোক্লবা, অশিবা। ...অদুগুম্বা অকিবগী মচুদুরা?

ফিল্ম এক্টর অমনা মমায় মমীৎ কয়া য়েকশিন-তৈশিল্লবসু অকিবা পোক্লবা মীওই অমগী মায়থোঙদা তারিবা অকিবগী শক্তম অদুবুদি য়ৌবা ঙম্লোই। নুমিৎ চুপ্পা অমা শুরু নোম্লুরগা খাউদা মচাগী মশুগী অচা-অথক খরা, শান্নপোৎ খরা অমদি নুপীগী লোক খূবগী হীদাক পুরগা হল্লকপদা মী তাদবা, অচীকপা লন্বীগী গোলাই অমদা লাইবক থীদুনা কাঙলূপ মান্নদবা ঈরাং শাগৎপা মীওইশিংনা মহাকপু ইকোয়-কোয়শিল্লকপা!

শিরমদাই মীকুপ ঙাইহাক্তুগী মাঙওইননা মহাক্কী মায়থোঙ অমদি মশা পূম্বদা ঐনা হায়রিবা অকিবগী মচু অসিমক উবা ফংখি।

অদোম্না শিন্দলর্স লিষ্ট নৎত্রগা মদুগা মান্নবা ফিল্ম কয়া অমা য়েংবিরম্লগনি। মদুদা জর্মনগী রেলগাড়ী কয়া অমা অরাপ্পা মফমশিংদা থাদোকখিবা উরমগনি। রেলগী থোঙ থোঙনাউশিং অদুদগী মপাল্লোমদা য়েংথোক্লিবা য়েহুদি নুপী অঙাংশিং অমদি অহল লমনশিংগী মায়থোঙশিং অদুবু অদোম্না শোয়দনা নীংশিংবিরমগনি। নৎত্রগা হৌখিবা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা গুজরাটকী লৈকায় লৈকায়গী থোঙ থোঙনাউশিংদা হায়রিবা অকিবা ফাওরবা মায়থোঙ কয়া অমা লিৎথোক্লরকখি। অকিবা হায়বদুগী মচু অদু মথক্কী 'সিগা হাইরপ মান্নবজাৎনি।

মোহন দাস মাঙদা লেপ্লি। খোঞ্জেল পীক্লা হায়রকই - ''খুরা, ঐবু উপাই অমতা তৌদুনা কনবিয়ু। ঐ খুরুমজরি। ঐগী নুপী অঙাং লৈ। সোমদনা টি বি নাবদগী ঐগী বাবা কন্না লায়কন্নরি। ... য়ারবদি খুরাগা চৎমিন্নদুনা ঐ মোহন দাস নত্তে হায়বা ফাওবা কোর্টতা এফিদেবিট তৌবা ঙমগনি। ঐ মোহন দাস কৌবা মীওই অমত্তা খঙজদে। মোহন দাস অতোপ্পা মীওই অমা ওইরমগনি। ঐবু খুরানা অমুক্তদি কনবিয়ু।''

অদোম্না মোহন দাসপু অহানবা উবদা শোয়দনা নুংশিবা ফাওগনি। অদুবু তুংদদি অদোম কিগনি। তৌববুদি হৌজিক্কী মতমসে কিদবা লৈত্রে। মফম খুদিং অকিবগী অকিবা ঙাক্তনি।

ঐনা মোহন দাস অমদি মহাক্কী ইমুং মনুংগী মীওইশিংবু নীংথিনা খঙই। খুঙ্গংদদি লৈমিন্নরিবা মখোয় অয়াম্বা অমসু অমসু অসুম্না লোইনা খঙনৈ। মহাক দিষ্ট্রিক্ট অসিগী এম জি দিগ্রি কোলেজদগী গ্রেজুয়েটনি হায়বসে অদোম থাজরোই, মদুসু ফার্ষ্ট দিবিজন্দা। ঙসিদগী চহী তরাগী মমাঙদা য়ুনিভর্সিটিগী টোপ্পর লিষ্টতা অনীশুবা পোজিসন তাখি। অদুবু ঙসি ওইরিবা মহাক্কী ফীভম অসিদা মহাকপু কনানসু থাজবিগদবা নত্তে। মচু শিথবগা লোয়ননা মচী মচীদা শেগায়রবা দেনিমগী খোঙগ্রাউ হীগোক অমা, য়েৎ থংবা লেংজুমদা শীলাই খরা হন্দোক্লবা অহোঙবা টেরিকোটনগী খুদাং অককপী ফুরিৎ অমনবা অমসু লীৎলি। খোঙউপ্তি নোং চুবদা তোংনবা রবরগী খোঙউপনি। অদুবু লৈখোমগা উফুলগনা খোঙউপ অদো লৈবাক্লা শাবগা চপ মান্নরে।

মোহন দাস হৌজিক চহী ৩৫/৩৬ শুরে অদুবু উবদদি ঐহাক্লা মান্নবা অমদি ঐঙোন্দগীবু হেন্না অহল ওইনা উই।

মহাক নোংমতা মশাদা লৈতাজদে। ফমদোক্তুনা মরূপ মপাঙশিংগা ৱারী শান্নবা, জ্বার শান্নমিন্নবা অমদি টি ভি য়েংদুনা লৈথোকপসু তৌদে। মতম লৈবা খিবিক্তা মশাদা অকিবা অমদি মিপাইবা ফাওই। মোহন দাস থবক অফং অফংবা শুই। মহাক শুরগদা হিংবনি। মহাক অমা নৎত্রগা অমদি শুদবা য়াদে। মখোয়গী ইমুংদা চারিবসি মীওই মঙানি, হায়বদি চাকখাউ মঙা। মোহন দাসকী মপা কাবাদাসনা টি বি নারক্লিবসি চহী ৮ শুরে। মহাক্কী মমানা ফ্রী আই কেম্প অমদা ঙৌদোংগী ওপরেসন তৌরুবদগী হৌজিক্লা মমীৎ তাঙলে। করিমত্তা উদ্রে। শুপ্নতগী মপুরোইবগী মরুম থুপচরিবী মহাক্কী নুপী কষ্টুরি বাইনি। কষ্টুরি বাই মপুরোইবগী থবক্তা মতেং পাঙই। ঙসি ফাওবদা মখোয় অনীগী মরক্তা নোংমতা খৎন-চৈনবা তৌদে হায়না খুলগী মীওইশিংনা হায়নৈ। তশেংবদি নুপা নুপী অনীগী মরী ফজবসি মখোয় মখোয়দা তারিবা ফীভমগী মখাসু য়াম্না পোল্লি।

দেবদাস অমদি শারদা মোহন দাস অমদি কষ্টুরিগী মচা অনীনি। অমনা চহী ৮ অমনা ৬। দেবদাস খুলগী প্রাইমারি স্কুল অমদা তম্মী। স্কুল কুম্লক্লগা দুর্গা ওটো ৱার্কশোপ হায়বা অমদা য়াওই। মদুদা মহাক গাড়ী নুংশিৎ হাল্লি। গাড়ীগী য়াদবা মচা মশু শেম্মী। মহাক থাদা লুপা ১০০ ফংই। মসিনা তাকপদি হৌজিক দেবদাস মরোমদোম লেপচরে। লাইরিক তম্না তম্না মশানা মশাবুসু থাকচরে। স্কুলগী ওজাশিংনা হায়বদা ক্লাসতা দেবদাসনা লাইরিক ইহৈ হৈ। মখোয়না ৱাফমসি মপাদা তম্মী। পাউ অসি তাবদা মপা মিপাইবা ফাওই। মায়থোঙ নুংশুক নুংজানৈ। পেন্দবা খোঞ্জেলগা লোয়ননা হায়রকই, ''...ঐসু মতম অমগী বি এ ফার্ষ্ট ক্লাসনি। অহিং অহিং হৌগৎতুনা হোৎনরকই। হৌজিকপু ঐ করি ওইরিগে?''

মোহন দাসকী অখূইবা মায়থোঙ নোকফেৎ তৌদুনা হায়রকই, -'হৌজিক ঐ কম্প্যুটর তম্লি। বস ষ্টেন্দ মনাক্তা ষ্টার কম্প্যুটর সেন্টর হায়বা অমা লৈ। মদুদা ঐ য়াওরি।'' হায়রিবা দুকান অসি য়োৎ বিলামাটি য়োনবা মোহম্মদ ইমরানগী মচানুপা শকিলগী দুকাননি। শকিলনা হায়, ''খুরা, করিগুম্বা টাইপিং, কম্পোজিৎ অমদি নম্বগী থবক নীংথিনা হৈরবদি থাদা লুপা ৬০০ কী মথক্তা পীগে।'' মসিদা মোহন দাসনা খুম্মী - হৌজিক টাইপিংগী স্পিদ ৩০ য়ৌরে। থবক মচা মশু খরসু পায়রে। অদুবু অরানবদি অদুমক য়াওরি। মদুদা চুমথোক্লবা হোৎনবদা মতম হেক্তা চঙই। য়াদে।''

অদুবু হায়রিবা ৱাফমসিদি মমাঙঙৈগী ৱানি। হৌজিক্তি মোহন দাসতা অচৌবা অৱাবা অমা তারি। মহাক্লা হন্না হন্না হায়-

''ঐগী মিং মোহন দাস কৌদে। ... ঐ কোর্টতা এফিদেবিট তৌবসু ঙমগনি। মোহন দাস কনানো ওইনীংবা মীনা ওইজসনু। অদোম্না ঐবু অমুক্তা কনবিয়ু। ঐনা ময়ামদা খূৎ লোন্নদুনা হায়জরি।''

মোহন দাসনা নংলিবা অৱাবা অসিবু করিনো? মসি হায়দ্রিঙৈগী মাঙওইননা মখোয়' ইমুংগী মঙাশুবা মীওই হায়বদি মোহন দাসকী মচানুপী শারদাবু পল্লম্বা মরু ওই। চহী ৬ শুরবী শারদা খুলগী গভর্ণমেন্ট প্রাইমারি স্কুল অমদা অনীশুবা ক্লাসতা তম্লি। স্কুলদগী হল্লক্লগা কিলোমিটর অনী মখায় লাপ্না পুখ্রি অনী লান্দুনা বিসিয়াটোল্লা খুন্দা চৎলি। মফম অদুদগী নুমিদাং পুং ৯/১০ তাবদা ময়ূমদা হল্লকই। বিসিয়া টোল্লাদা বিসনাথ প্রসাদকী চহী অমতা ঙাইরিবা অঙাংবু শেন্নবি অমদি য়ূমগী থবক ইনখাংসু তৌই। মসিগীদমক নুমিদাংগী চাক চরা অমদি থাদা লুপা ৩০ ফংই।

(মথং-মথং)

*— মণিপুরীদা ঃ ডা. রাজকুমার মোবী*